টাজিকিষ্টান হায়র লীগ ফুটবোল ২০২০

# কুকটোস এফ সী অমসুং খুজান্দ এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে

Tajikistan Vysshaya Liga



দুসানবে, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): এসিয়াগী লৈবাক টাজিকিষ্টান্দা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অদুগী হায়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কুকটোস এফ সী অমসুং খুজান্দ এফ সী লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে।

টাজিকিষ্টানগী দুসানবে ষ্টেদিয়মদা লৈবা পামির ষ্টেদিয়মদা ভাবক অমত্তা য়াওদনা শান্নখিবা টাজিকিষ্টান হায়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা কুকটোস অমসুং খুজান্দ লম্বা তৌনখিবনি।

ঙরাংগী অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুগী মাঙওইননা কুকটোস এফ সী হান্না শান্নখিবা মেচ অনীদা অমা মায় পাক্লগা মেচ অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা লৈখি। অমরোমদা খুজান্দ এফ সী মেচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা লৈখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফকী পুঙ্খায় লানশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৪ রোমতা ঙাইরবা মতমদা কুকটোস এফ সীগী মায়কৈদগী হিকমাটুলো রাসুলোবনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা খুজান্দ এফ সীবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা অদুদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা অদুদা খুজান্দ এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মখোয়গী মথক্তা কুকটোসনা অহানবা হাফতা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনখি। মেচকী ৫২শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা এটেক অমদা শান্নরোয় ফাটখুনোবনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা অমুক হন্না লৈরকখি।

অনীশুবা হাফকী লেমহৌবা পুঙ্খায় অমা হেনবগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নখিদবদগী পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা পোইন্ট য়েন্নখি। লীগ অসিদা পোইন্ট টেবলদা কুকটোস পোইন্ট ৫ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Istiklol | 3 | 2 | 1 | 0 | 11 | 2 | +9 | 7 |
| 2 | Khatlon | 3 | 2 | 1 | 0 | 7 | 5 | +2 | 7 |
| 3 | Kuktosh | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 1 | +3 | 5 |
| 4 | Fayzkanb | 3 | 1 | 2 | 0 | 5 | 4 | +1 | 5 |
| 5 | Regar-TadAZ | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 4 | +2 | 4 |
| 6 | Khujand | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 5 | +1 | 4 |
| 7 | Locomotiv-Pamir | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 5 | -1 | 4 |
| 8 | CSKA Pamir | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 6 | -2 | 3 |
| 9 | Dushanbe-83 | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 8 | -8 | 1 |
| 10 | Istaravshan | 3 | 0 | 0 | 3 | 2 | 9 | -7 | 0 |

মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# ৱর্ল্ডনম্বরৱান নোর্ৱেগী কার্লসননা য়ু এসকী করোনাবু মায়থীবা পীখ্রে, য়ু এসকী নকামোরানা ইরানগী ফিরোজা থোইখ্রে





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী লম্দা মালেম শীনবা থুংনা অথিংবা অমদি য়ৈথোকপা কয়া লৈখিবনা মরম ওইদুনা চেছ মশান্নগী ওইনা ইন্টরনেটকী খুথাংদা ওনলাইনদা ৱর্ল্ড নম্বরৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা মকোক থোংবা চেছ শান্নরোয় ৮গী ওইবা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেসনেল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা মেগনস কার্লসন মশামক্না য়ু এস এগী ফাবিয়ানো কোরোনাবু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ু এস এগী হিকারু নাকামোরানা ইরানগী অলিরিজা ফিরোজাবু থোইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বরৱান মেগনস কার্লসন অমসুং য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা লম্বা তৌনখি। মখোয় অনীনা গেম মরি শান্নবগী রাউন্দ অদুদা অহানবা গেম অদু কার্লসননা অমুবা মচু পায়রগা করোনাবু থোইখি।

অনীশুবা গেমদা কার্লসননা অমুক হন্না অঙৌবা মচু পায়রগা করোনাবু মায়থীবা পীদুনা গেম মরিগী লম্বা অদুদা ২-০দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা গেমদা করোনা অমসুং কার্লসন দ্রো চৎখি। পোইন্ট ২.৫-০.৫দা মেগনস কার্লসননা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মরিশুবা গেমদা অমুক্কা হন্না শান্নরোয় ২ দ্রো চৎপদগী মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মেগনস কার্লসননা ফাবিয়ানো করোনাবু পোইন্ট ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

মঙাশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেচ অমদা মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা ইরানগী এলিরিজা ফিরোজাগা য়ু এসকী হিকারু নকামোরাগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু শান্নরোয় অনী দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেমদা নকামোরানা অঙৌবা মচু পায়দুনা ফিরোজাবু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা গেম অদু ফিরোজানা অঙৌবা মচু পায়দুনা এটেক তৌবা ঙম্লবসু নকামোরাগী য়াম্না ফজবা মশান্নদা পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী ফিরোজা মায়থীবানংবদগী নকামোরানা রাউন্দ অদুদা ২.৫-০.৫দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী মরিশুবা গেম অদুসু নকামোরানানা অঙৌবা মচু পায়রগা এটেক চত্থরকপদা মায় পাকপদগী ৩.৫-০.৫দা মায় পাক্লগা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী পোইন্ট টেবলদা মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ৮ ফংবদা নকামোরানা পোইন্ট ৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

কার্লসনগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবা য়ু এসকী ফাবিয়ানো করোনা রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেব অমসুং চাইনাগী দিংলিরেন পোইন্ট ৪/৪ ফংলগা মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি। রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনেয়াচি রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি।

ইরানগী ইলিরিজা ফেরোজা অমসুং নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি মায় পাকপা ঙমদনা তরেৎশুবা অমদি নিপানশুবা পোজিসন্দা লৈরি। ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচতা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম লাগ্রেব অমসুং চাইনাগী দিং লিরেন লম্বা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা তরুকশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরি অমসুং রসিয়াগী নেপোমনেয়াচি থেংনগনি।

# জেরেথ বেলনা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা মতেং ওইনবা কার্দিফ হোস্পিটালদা পাউন্দ ৫০০,০০০ দোনেট তৌখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): ৱেলসকী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় হৌজিক হৌজিক্কা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদতা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা জেরেথ বেলনা মহাক্না পোকখিবা হোস্পিটাল ওইরিবা ৱেলসকী দি য়ুনিভর্সিটি হোষ্টেল ওফ ৱেলসতা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা মতেং ওইনবা বৃটিশ পাউন্দ ৫০০,০০০ (য়ু এস দোল্লর ৬১৫,০০০) গী শেনফম দোনেট তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা জেরেথ বেলনা শেনফম অদু মতেং পাংলমদাইদা ফোঙদোকখিবদা কার্দিফ হোস্পিটাল অদু মহাক্কী ওইনা য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হোস্পিটাল অদুনা পায়খৎলিবা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবগী খোঙজংদা মহাক্না পীরিবা শেনফম অদুনা খরদা ওইরবসু মতেং ওইরগনি হায়খি।

কুমজা ২০১৩দা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিএল মাদ্রিদতা শরুক য়াখ্রবা মতুং ক্লব অদুনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবকী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল মরিরক লৌবা ঙমখ্রে।

জেরেথ বেলনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশামক অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং কয়া পীরিবা অদুদা মতেং খরদা ওইরবসু পাংবনি হায়খি।

য়ূমশকৈশা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ৱেলস লৈবাক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই লিশীং ৮ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা পূন্না মীওই ৬২৪ শিখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা, মহাক্না শরুক য়ারিবা ফুটবোল ক্লব রিএল মাদ্রিদকী লৈবাক স্পেনদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মমাঙথাগী ১২দগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী মেচ পুন্নমক সস্পেন্দ তৌখ্রবনি।

অমরোমদা, লা লীগাগী প্রসিদেন্ট জেবিয়র টেবাজনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মথং থাদা লীগ টুর্নামেন্ট অদু মখা তানা পাঙথোকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা অদু লৈবাক অদুগী ওইনা লোকদাউনগী মতম অদু মে ৯ ফাওবা শাংদোকখিবনা মরম ওইরগা লা লীগাগী মেচশিং অদু শান্নবা ঙমলোইদবগী ফীভম অমদা লাক্লি। জর্মনিগী বুন্দেজ লিগাসু ভাবক য়াওদনা মেচশিং শান্ননি হায়বগী ৱাফম লৈখ্রবনি।

# অম্ফাগী কুমজা ২০২০-২১গী অনৌবা কেলেন্দর শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মখাদা কুমজা ২০২০-২১ সিজন্দা চত্থগদবা ত্রান্সফর, টুর্নামেন্টশিং, রেফরি/কোচশিংগী এগজামিনেসনশিংগী টেন্টেটিভ ওইবা কেলেন্দর অমা শেমখ্রে।

টেন্টেটিভ ওইবা কেলেন্দর অসিগী মতুংইন্না অনীশুবা এস টি এস এম সব জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব টুর্নামেন্ট, সব জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব টুর্নামেন্ট এপ্রিল ১দগী হৌগনি হায়রম্বা অদু মে ১৪দা ওন্থোকখি। ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সফর অদুনা জুন ৯দগী ৩০ ফাওবা, ইন্টর ক্লব ত্রান্সফর অদুনা জুন ২০দগী ৩০ ফাওবা, ইন্টর ষ্টেট ত্রান্সফর (ফর্ষ্ট ৱিন্দো) না জুন ৯দগী ওগষ্ট ৩০, ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ (সেনিয়র) ক্বালিফায়িং লীগ (বি এম সিংহ ট্রোফি) জুলাই ৫দগী সেপ্টেম্বর ২৫ ফাওবা, দিষ্ট্রিক্ট লীগ (টোপ দিভিজন) না জুলাই ১দগী সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবা, মণিপুর ষ্টেট লীগনা ওগষ্ট ৩দগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা, অম্ফা কপনা জুলাইদগী সেপ্টেম্বর ফাওবদা, জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট সেপ্টেম্বর থাদা, জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্টসু সেপ্টেম্বর থাদা, ৱিন্নরস কপ (মেন্স) টুর্নামেন্টনা ওক্টোবরদা, সী সী মীটনা লাক্লিবা নবেম্বরদগী দিসেম্বর ফাওবদা পাঙথোক্লবা য়াই।

ইন্টর ষ্টেট ত্রান্সফর (সেকেন্দ ৱিন্দো) না কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ১দগী ৩১ ফাওবা, অম্ফা গ্রাসরুট প্রোগ্রামনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী মথং চহীগী মার্চ ফাওবদা, রেফরি এগজামিনেসন এ আই এফ এফকী এপোইন্টমেন্টকী মতুংইন্না পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা নেসনল চেম্পিয়নশিপ এ আই এফ এফনা হায়রকপগী মতুংইন্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

অম্ফাগী মখাদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন/দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা মখোয়না কোল্লিবা মফম অদুদা ষ্টেট ওপন টুর্নামেন্ট শিনগদবা ওইরবদি টুর্নামেন্ট অদু অম্ফাদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি। লোয়ননা মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবদা পাঙথোক্কদবনি।

রেফরি/কোচশিংগী রিফ্রেসর কোর্সশিংগী ওইনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা তঙাইফদ্রবদি দিষ্ট্রিক্ট অদুদা অদুমক পাঙথোকপা য়াগনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অসিনা মখা তারি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংগী চহীগী ওইবা রিন্যুএল ফী থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীবা য়াগনি হায়না মতম শাংদোক্লে হায়রি।

# ফেদররগী ৱারোল কিরগিওসনা শৌগৎলকপদগী অতোপ্পা শান্নরোয় কয়ানসু য়ানীংবা ফোঙদোরক্লি



পেরিস, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): মালেমগী টেনিসকী খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা গ্রান্দস্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙমখ্রবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় স্বিজরলেন্দ মচা রোজর ফেদররনা হৌজিক হৌজিক টেনিসকী নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা লূপ অনী থোক্তুনা লৈরিবা অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা তোঙান তোঙানবা রেঙ্ক হন্থনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংদা পীরিবা চৈথেং অসি কোক্ননবগী পান্দমদা পুনশিনবা মতম য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় নিক কিরগিওসনা য়ানীংবা ফোঙদোরকখিবদগী মখা তানা তোঙান তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা অয়াবা মোত পীনরক্লি।

নুপীগী ওইনা টেনিসকী খ্বাইদগী চাউবা লূপ ওইরিবা ৱিমেন্স টেনিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) অমসুং নুপাগী ওইনা লৈরিবা এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেলস (এ টি পি) হায়না খঙনরিবা লূপ অনী অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী পুনশিনবা য়ারম্লবনি হায়বা ৱাফম অসি রোজর ফেদররনা মহাক্কী ট্যুটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবা অদুগী মখা তারকপদা অহানবা ওইনা নিক কিরগিওসনা য়ানীংবা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অসিগা মাঙওইননা মালেমগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা থাক নেম্মা লৈরিবা শান্নরোয়শিং মতেং পাংননবা রোজর ফেদরর, সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা শেল খায়জিন্নদুনা ফন্দ অমা শেম্লগা মতেং পীননবগী ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি। ফেদররগী ৱারোল অদুবুসু নদালনা য়ানীংবা ফোঙদেরকখি। পুনশিল্লগা মপাঙ্গল লৈবা লূপ অমা ওইহনসি হায়রকখি।

# ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী ওইনা চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্তেন এম এস ধোনিনা খ্বাইদগী ফজৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে




চেন্নাই, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ১৩রকশুবা ইদিসন লাকপগা মরী লৈননা হৌখিবা ইদিসন ১২গী মনুংদা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী টেলিভিজন চেনেল ষ্টার স্পোর্টসনা কেপ্তেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা খনবদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ওইরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টার স্পোর্টসকী জ্যুরিনা লৌখৎলকখিবা দেটাগী মতুংইন্না মমাঙদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমবু ৱর্ল্ড কপ টাইটল লৌহনবা ঙমখ্রবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্তেন ওইদুনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল অহুম্লক লৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

চেনেল অসিনা লৌখৎখিবা দেটাগী মতুংইন্না মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা মুম্বাই সুপর কিংসকী কেপ্তেন রোহিট শর্মানা লুচিংদুনা টিম অদুনা টাইটল ৪ লৌবা ঙম্লবসু পার্সেন্টেজ য়েংলুবদা ধোনিনা ৬০.১১ ফংলগা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা কেপ্তেনগী মীংথোল অদু ফংখিবনি।

কুমজা ২০০৭তা ইন্দিয়াগী নেসনল ক্রিকেট টিমবু লুচিংদুনা ৱর্ল্ড কপ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা চহী অদুগী মতুং কুমজা ২০০৮দা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী অহানবা ওক্সন তৌবদা চেন্নাই সুপর কিংসনা লীগ অদুগী ওইনা খ্বাইদগী মমল য়াম্না মহেন্দ্র সিংহ ধোনিবু লৈদুনা টিম অদুগী কেপ্তেন ওইহনখি।

লীগ অসিগী পুৱারীদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা শান্নখিবা মেচশিংদা পূন্না রন লিশীং ৪ লৌদুনা লীগ মেচ অমমমদা এভরেজতা রন ৪২গী রেকোর্দ থল্লি। মশাগী চহী ৩৮শুরবা শান্নরোয় অসিনা চেন্নাই সুপর কিংসকী ওইনা য়াম্না মতাং মতম চানা ফজবা পর্ফোর্মেন্স কয়া উৎতুনা টিম অদুগী মায় পুরকপা ঙমখি।

মহাক্কী ফজবা বেট্টিংনা কুমজা ২০১৯ ইদিসন্দা লীগ অদুগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটচমেন ওইখি। মহাক্কী লিচিং মখাদা চেন্নাই সুপর কিংসনা সিজন ১২রক শান্নরকপদা টাইটল অহুম্লক লৌবদা নত্তনা মকোক থোংবা পোজিসন ৪ ফাওবগী মনুংদা সিজন ১১ রক য়ৌহনবা ঙমখি।

# চহী অমা য়ৈথোকখ্রবা মতুং টোকিও ওলিম্পিক গেমস মখা তানা য়ৈথোকপগী ওইথোকপা লৈতে : য়োসিরো মোরি



টোকিও, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস জপানগী কোনুং টোকিওদা চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু চহী অমা য়ৈথোল্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোকপগী মতম লেপখ্রবা মতুং মখা তানা অমুক য়ৈথোকপা নৎত্রগা থেংথবগী ওইথোকপা লৈররোই হায়না টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরিনা ফোঙদোরকখ্রে।

য়োসিরো মোরিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক গেমস অসি মালেমদা হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিনা চহী অমা য়ৈথোকপদা ৱারসু ৱানা লৈবাক শীনবা থুংনা খাঙমিন্নবা য়াগনি অদুবু মখা তানা য়ৈথোকপগী ফীভম লাক্লবদি জপানগী ওইনা টেক্নিকেলগী ওইবা লম্শিংদা য়ারোইদবা মরম্না য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা য়োসিরো মোরিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক্না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেগা মমাঙদা ৱারী শানখিবদা চহী অনী য়ৈথোকপগী ৱাফম পুখৎলুবদা প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা চহী অমা য়ৈথোকপা অসিনা অরোইবা ৱারেপনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তারকপদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটি, জপান লৈঙাক অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী অপূনবা ৱারেপ ওইনা চহী অমা য়ৈথোকপদা য়ানখিবনি।

ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকপা অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা মায় পাকপা ওইহনগদৌরিবনি। অদুবু চহী অমা য়ৈথোকপা অসিনা মতিক চারে, মখা তাবা অহেনবা মতম লাক্লবদি জপানগী মায়কৈদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, জপানগী কোবি য়ুনিভর্সিটিগী ইনফেক্টসিয়স দিজিজগী প্রোফেসর কেন্টারো ইৱাটানা ফোঙদোকখিবদা ২০২১দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপা ঙমলোইদবগী ফীভম লৈরোই হায়খ্রবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com